"ঐগী পুন্সি রারীসি, ঐনা হিবা নৎলমদ্রে, ওইহিবা অমা লৈরম্লে।" - কাংজম পদ্মকুমার

# শৈরেং

## থৱায়গী মমল
— ঙাংবম থবাতোম্বী

তুল্লবা য়েতুমগী মচিন্না
হঞ্জিন হঞ্জিন ফোৎচিনবদা, চরা চরারবা
মনীং হোরবা লাইরিকখাওদুবু
ওইগী লেংজুমদগী য়েৎকী লেংজুমদা
পোবগুম, য়ানবগুম
শীন্না-শীন্না য়াল্লদুনা
চেনজোং, মাঙজোং
শেৎপা, চাবা মনীং থুংদনা
লায়রবী মমাগী মতম্বাক্তগী
শারেপ তাঞ্জরকখিবা
মবুক শিৎলবা মচা কয়াদুনি
ঈখেংলক্তা মোনখাংনখিবা।
অয়ূক্কী লিক্লা চোৎহন্দা
নুংথিলগী মৈশাসু ফূহন্দা
মোন্দুম মোন্তেকথক্তা
অৱাবা করিনো খঙদনা
হয়েংগী যূম্ফমদা
নাওকোঞ্জরকখিবা কয়া কয়াদুসুনি
উফুল্লক্তা চোইনা তাখিবা
অতৎপা লিক্লুগুম খুনগৎপা য়াদনা।
অদুবু
মিনোক্তনা থল্লবা তাইবঙ অমদা
নখোয়দি লেপ্লি ঙসিসু
শাইওন কয়াগী মপূ ওইরদুনা!
মখোয়না কপ্লি
কংশিনবা ঙমদ্রবা মিৎলুদা
পিরাংনা নোংজু ওইরদুনা!
থাজদ্রবা হংজৌ
শৈনাইরবা নথম্মোয়দুদা!
উদ্রবদি য়েংউ
হন্থনা নঙগী খুন্নাইসিদা;
উগনি শোয়দনা
পূন্সিগী চৈনারক্তা
ৱাহংতনা থল্লবা মখোয় ময়াম
অশোকপা থম্মোয় থাগোন্নরদুনা
চৈনা খাঙদুনা হিংলিবসে!
নীংশিংউনে
অথোৎপা লৈয়েংদুনা
করি হায়না পাউথেমখিবা।
হিংচাবসু নখোয়নি
চাক্লিবসু নখোয়নি
নিংথৌরেলসু নখোয়নি
লিলারোইসু নখোয়নি
নখোয়গী নখূৎমক্লা শেল্লিবা চক্রবিহ্যদা
অভিমৈন্যুগী মতৌগুম
পিখন্নখ্রবা থৱায়শিংদুনা
পোত্থারমখিগদ্রা নখোয়গী মিনোক্তু উবদা
নখোয়না চাক্লিবা ওইনা লেপ্লুবদা
হাপ্লকখিগদ্রা!
কায়না মৈনা চাক্লিবা
চৈনা খাঙহৌরিবা থম্মোয়শিংদুনা
... মিনুংশি...

চেনখৎলু, তানখৎলু মাঙদা
চোকথবা নাইদা, থৌনা পাঙ্গল
শান্নবুং তম্না, নীংহন্নগনু
ফংগনি নখোয়না পজেং ফিরাল
থৌনা লৈবগী, লৌশিং হেনবগী
মায় পাকপগী, মীথোইবগী
থাংজিল্লি খোঙথাং, খুরৌ য়াওদা
শান্নবুংগী ফম্বাক খুদিং।
লোম্নাইদনা, লোইনায় খন্নাইদা
মীংচৎ উরোং খিল্লম্বা
নঙগী নখোয়গী নরমদা
শক্তাক্লম্মু মালেম শীন্না
পোক্লফম ইমা মণিপুরগী
মপারি মমোম, শান্নরোয়শিং
য়াইফবা, য়াইফ-পাউজেল।

## কল্লুরসি পোক্লফম
— এম নিল্লকুমারি

নখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ
মরি মঙা পূনশিন্নৈ থুম্মোক্তা চৈশাং অমা লেংশিল্লি
নোক্লা নোক্লা লাক্লা ফানা চৎমিন্নৈ
নাকা থেংবা লাক্লিয়ে য়াওশঙ কুম্মৌনি।
চেঙ লৈরে হাপ্লীয়ু কোবী, আলু, হৱায় থরাক হাপ্লীয়ু
অদুবু কদায় অহোংবা মতমগী খোঙচৎনা তুংওইনখ্রে
মতমদুগী চৎন-লোনচৎ মাঙখ্রে
খুল ঙাকপা লান্মী ওইখ্রে
লমখৈ ঙমখৈ মাঙফদে ইরমদম্লি পোক্লফম
নহাক্কী উতোন ৱাতোন উনা-শিংনা কয়ানা
চপ চপ লেপ্তুনা য়েংহৌরি।
নহাকপু লাকপা ঙাইদুনা।
অহৌবা নোংমৈ মৈবুলগা লোয়নরিবা
হেলিকোপ্টরগী অহৌবা মখোল মায়কৈ থুংনা পাইরিবা
নহাক্কী লফু পান্বীগী লকানা ফেরে ফেরে হাইরি
মালং মাগী শাউমদা
ঙাইদুনা লৈহৌরি নহাক্কী লফু থরোনা;
লানফম মফম য়াম্মী ইমা লৈবাক্কীদমক্লি
মালেম লৈনা লূম্বরা পলেম ইমানা মৱান্মী
কোরৌ নোংনা ৱাংবরা পন্থৌ ইপানা মৱাংই
পলেম পন্থৌ পোক্লিবা পোক্লফম
লমদম্না মহেল্লি।
চৎলিবনি লান্মী শিংলূপ শেমদুনা
ইমা ইপাগী লমন্দি ইরমদম কনবনি খল্লগে।

## ওইগনি
— ৱাহেংবম থোইবা মৈতৈ

চিন্দা অফবা অচুম্বা শাবা
থম্মোয়না হুরানবা অচৌবা ওইবা
মশাগী মশক খঙদনা
অরেম্বা অফাওবা য়াম্না শাই
ঐ ইশানা কান্নবা ওইজবা ফংদ্রবদি
অতোপ্পা মীবু অফবা ওইনা
খনবা য়েংবা হৈতে।
চাওখৎপা অফবা লাক্কদবা
য়াম্না ৱাৎলি,
ঐখোয় ঐখোয়গী অশোয়বা
কয়াশিং অসি চুমথোরকপা
মতম অদুখক্তা ঐখোয়
চাওখৎলে অমদি অফবা
কাঙলূপ অমা ফূরুপ অমা ওইগনি।
ঐখোয়না ফনা য়াম্না চাওখৎলে
অফবা মীওইবা কাঙলূপনি
হায়না খনবা অদু
তশেংনা
ঐখোয় লানগনি।

## য়াওশঙ কুম্মৌনা লাক্লবসু
— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

অহল, নহা, নুপী অঙাং পূন্না
হৱাও মথোই কানা
হৱাও মীনোক তম্মীন্নবা
মচু মচু কুম্মৌ য়াওশঙ লোইখ্রে।
মতম্না পুরকপা অওনবনি
লৈরক খুল্লক কোয়চেন চেন্দুনা
যূমথোঙ খুদিং চঙদুনা
নাকাথেং লাকইএ হায়বা
খোঞ্জেল তাবা ফংখিদরে।
কুম অমগী লাকপা য়াওশঙ কুম্মৌ
মমিংতা মঙাইরে নীংশিংহন্দুনা
অদুঙৈগী অঙাং ওইরিঙৈ মতম
খল্লুবতা মঙাইরে নুংশিখ্রেদা
ইনে, ইন্দোল, অবোক, ইপু মখোয়শিং
অদুগী মনাক্তা চেন চোংদুনা শান্নখিবদো।
মঙানি চনবা, তরুক্নি চনবা
মথং মথং খূৎথেক্তুনা পান্নবা
লৈকায় লৈকায়গী থাবল চোংবা
লোয়নমক মাঙখিদুনা ইনখৎলকপা
শকখঙ মায়খঙনবগী ময়োল
থদৎখিবগা চপ মান্নখ্রে।

## পীবা য়ারিবা
— ইরোম মোবি

খ্বাইদগী ফত্তবা
ফত্তবদগী ফৎত্রবা
কোক্তা লান্দারকই
লায়না লাইথুং পোকহল্লি
মশা পূন্বা শিথহল্লি
অচুম্বদি মাঙখ্রে মথন্নতা
মাঙদা চৎলমদনা
মীখলদা লাউনা খোংনা চাকখৎলকই
পীরিবা য়ারিবা অনীমক
লায়েংদ্রদি খোঙ্গুল মূৎলনি
মতম খিতং লৈরিঙৈ
খন্থহৌসি কলহৌসি।

## য়াইফ পাউজেল
— তোংব্রম শামুঙৌ

ৱাখল লৌশিং লৈবা
পাঙ্গল থৌনা ৱাৎতবা
তুং-মাঙ, নাক-য়েৎ
মীৎলম নারম খঙবা
শামান লেংমান্নবশিং মায়োক্লবদা
মায় পাকপগী, মীথোইবগী
পজেং ফিরাল পায়দুনা
পোকফম, হৌফম, নরমদম
নফুরুপ শক্তাক্লিবা মালেমগী
শান্নবুংগী ফম্বাক খুদিংদা
নখোয়নি ঐখোয়গী শান্নরোয়।
মীয়োক হৈবী, মীচান ফবী
নুংশি চাউবী, অখাঙ কনবী
অথৌবা পোকপী ইমাগী
অশেংবা মপারি মমোমশিংনি।
চেঞ্জোংদা, মাঙজোংদা, অরূম-অয়াঙদা
কাওন-থিন্নবদা, লাক্লা-ফানদা
মীৎশিং নাশিংবা নখোয়তনি

## কয়াদা ৱারৌরমগনি শজিবু
— থোকচোম রঘুনাথ

করিবু হায়গদৌরিবনো খঙদরে
১) চিক্লা লুনা লেঞ্জরি থম্মোয়না
মখোল থোক্তনা কপ্লি।
কায়ন-নুংশি ঈচেল মরীলক্তা
২) তম্লরে ঙসি কোরৌদা
'শজিবু নোংমা পানবা'
লাকখিদরে উখিদরে মহৌশাগুম
৩) হৈরাং লৈরাং মখল জুম জুম
ঈকং কংলে ময়োলসু তমখিদরে।
কয়াদা ৱারৌরমগনি লম্ফেল নৱা কোম্বীরৈ
৪) লৈরি চরোং অকুপ্পী, হৈখা, মালহৈ মচা মচা...
মফম মরাং খঙদনা, পিরাংনা মপু মাগী মকাদা
পুংচাই চাইরবা তাইবঙ পূন্সি কয়ামা
৫) মমা-মচা, মরী-মতা, মবুং-মচে, মমানা
কায়নবগী মৈচাক্তা য়ারেকফম, পোত্থাফম খঙদনা লৈরিএ
য়েংহৈদরে, তাহৈদরে মতৌ
৬) মায়োক্লরে 'শজিবু নোংমা পানবা'
করিসু তমদবা মপু মাগী মফমদা।
কয়াদা ৱারৌরমগনি।
য়েংথিনবা কাঙলূপ অনীগী লানফম
কৈদৌঙৈ লোইগনি কনানা শেমগনি
পূম্নমক থাজবগী ৱাংমদা চৎখ্রবা?

**মতম মতমগী ৱাখল**

# ৱা হায়বদি য়াম্না লায়, পাউ তম্বসু লুদে, লুরিবদি থবক্তা ওন্থোকপনি





ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ- সঞ্জয় ! লানগী করি পাউ তারি? সঞ্জয়না খুম্মীঃ-মহারাজ পক্ষশিংগী লানগী থৌরাং লোইনরে। লান শোক্লগদবা নুমিৎ লাওথোকখ্রে । লেপ্পখিবা মতমগী মনুংদা লান শোক্লবা,নুমিৎ তাবগা লান লেপ্পবা, লানশঙদা চঙলগা পোত্থানরিঙৈদা খুৎ থানদবা,লান মনুংদা অরানবা তৌনদবা, নত্তবা পাম্বৈনা লান ঙম্নবা হোৎনদবা অসিনচিংবা কয়া। ধৃতরাষ্ট্রনা মখা হংলকখিঃ-ঐগী ইচাশিং মখোয় চাম্মগীনা করম্বা থৌরাং তৌরিবা ? মখোয়গী মীচঙদি কনা কনা লেপ্পবা ? ধৃতরাষ্ট্রনা খঙনীংলিবা মচা চাম্মগী পাউ অদু সঞ্জয়না মরীক চুম্না তম্মী । মহারাজ, চাম্মানা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়নবসু য়াওরি। মাগী মাগী মীনা হায়নবনি। লান শোক্লবদি মায় পাক্লবনি মায়থিনবা নত্তে। চাম্মগী মীচংদা লৈরিবসি লান্দা হৈথোয় শিংথোয়রবা লানচীংপুরেলশিং দ্রোন গুরু,ভিস্ম, কল্ল-কল্লবা পারথ সারথিশিং,অথৌবশিং দুঃসাসন,অশ্বত্থামা মখোয়না মাইকৈ মাইকৈদা,মাগী মাগী তৌবা ঙম্বা উৎনবা চাম্মগী মাইকৈদা লেপ্তুনা পক্ষশিংগী লানশঙদা লৈনখ্রে। কণর্বু থেংনগদৌরিবা লাল অসিগীদমক সেনাপতি হাপ্তুনা আর্জ্জুনগা লম্বা পানবা থাদোকলক্কদৌরি। আর্জ্জুনগা লম্বা পাবসি খরদি লুগদৌরি,অদুবু কর্ণসু অচম্বদি নত্তে, নুমিৎকী মচানি । হন্দক্কী লান অসিদি, নুপা খক্তা নত্তে লালোং হৈবী নুপীশিংসু খোংজি মখোন থোকহন্দনা, খূনীং-খুদোল কাংদুনা, ফিজি ফিনা হৈনা-শিংনা খোমগৎতুনা,খা-ৱাং চেন্নবা হৌহনখ্রে । ধৃতরাষ্ট্রনা মথন্তা শোল্লিঃ- ও! হায়রিবা ময়ামসে ঐগী ইমিৎ অসিনা উবদি ফংদ্রে। ঐনা শোয়নাইবা ওইরুবসিনা ইচাশিংগী মশক উদুনা মতেঙ পাংলুবা ঙমদ্রেদো ॥

মহাভারতকী ৱারীসি য়াম্না নুংঙাই। লানগী পাউসি মমিৎ উদ্রবা চাম্মগী অপোকপা ধৃতরাষ্ট্রনা তাজনীংবনা খৌরাংনা ঙাইজরিবনি। সঞ্জয়বু কৌরগা হংজবা, সঞ্জয়না লাক্লগা পাউদমজবা তাজরগা খঙবদু নত্তনা করিগুম্বা অমত্তা খঙবগী মরম লৈত্রবনি। মচাশিংগী পাউ তারগা, মচা নুংশিবগী মৈরিনা কনখিবনা করম থোক্লগদবা খনবদা ৱাজরবা পূন্সিনি। সঞ্জয়না চেকশিন্না অমত্তা চিংথদনা হেক হেক তল্লি ।

মথক্কী ৱাফমসি মহাভারতকী শাংলবা পর্ব্ব অধ্যায়দা, খণ্ড কয়াদা শ্লোক ওইনা মথং-মনাও কায়দনা বেদব্যাসনা সংস্কৃত লোন্দা লেঙদুনা থম্বীরম্মী। মৈতৈলোন্দা কালাচাঁদ শাস্ত্রী, সাহিত্য ভুষণ ফংবীখিবনা হন্দোকপীরম্মী । ফোঙবীখিবনা মণিপুরী মহাভারত কমিটিনা য়াম্না ঙল্লিঙৈ চাউরাক্লা কুমশীং ১৯৬০গী পরিংদা মহাভারত প্রেস, ইম্ফালদা নম্বীরগা খণ্ড ময়াম অমা ফোঙবীখি। লাইরিক অমদা লুপা ১০ খক্তং পী। হায়রিবা মহাভারত লাইরিক অসি ঙসি ফংনদ্রে। ঙল্লিঙৈদা মীয়াম্না খণ্ড য়াম্না পানখি। য়াম্না নুংঙাই। মহাভারতকী ৱারী অসিসু নুমিৎ কয়ানি লৈকাইগী সঙ্গৈইদা, মান্দপ্তা ৱারী ওইনসু লীনখি। ৱারী লীবদা মমিং লৈখিবা অহল-লমন য়াম্না লৈরমখি। ঐনা ৱারী লীবা তাজখিবদি উচিৱা বিজয়না লীবা ৱারীনি। উচিৱা বিজয়না ৱারী লীবদা, ৱারী মফমদা তিনবা মীগী মীশিং অসি শুন্মাং লীলা য়েংবনা খরতনি হেনখিবসি। মী ফজনা তিল্লি। লৈশাবী পাখং ফাওবা ৱারী তানখি।

ৱারী লীবা হায়বা আর্ট ফোর্ম অসি মণিপুরদা চৎনরকখিবগী ৱারী লৈরি। মহাভারত,রামায়ন ৱারী মণিপুরদা লীনদ্রিঙৈদা পুয়াগী নৎত্রগা নিংথৌরোলগী ৱারীসু লীনরম্বগী মতাংদা তোঙানবা ৱারী লৈরি । মীতৈনা হিন্দু লাইনীং চৎলকখিবদগী মহাভারতকী অমদি রামায়নগী ৱারী লীদুনা তানখিবা অসিনা হান্না লীনরম্বা লমদমসিগী ৱারী লীবগী খোঙজেল নেমথখি । মণিপুরদা ৱারী লীবা আর্ট অসি কনাগুম্বনা হিন্দু চঙলকপদগী হৌখিবনি হায়না থাজনবা য়াওরি। ৱারীদি লমদম অসিদা লৈরকখিবা কুইরে। ৱাফম অসিনা অখণ্ড-অহৈ নৈনমীশিংগী শরুক ওইরসনু ।

ৱারী লীবসি পাউ তম্বা মখল অমনি। ৱারী লীবদি পাউ তারগা অমদি লাইরিক পারগা লীবা য়াই,পাউ তম্বদি হকথেংনা উরগা তম্বনি। পাউ তম্বদি হকথেংনবনি, ৱারী লীবনা নাকোইনবনি। সঞ্জয়না ধৃতরাষ্ট্রগী মফমদা তল্লিবসি পাউ তম্বনি, ৱারী লীবা নত্তে । পাউ তমখিবগী মওং অসি অমুক মীয়ামদা তাহনবগী মওং অসিবু ৱারী লীবনি হায়না খঙনরি । পাউ তম্বা হায়বসি অশেঙবা থৌদোক্কী মিৎনা উরকপা পাউ তম্বনি। ৱারী লীবদি শাজিনবা, হাপচিনবা তৌদুনা তাবীরিবা মীশক অদুগী নুংঙাইনবা লীবসু চৎনরকই। তারিবা মী নুংঙাইনবা লীনবগীদমক ৱারী লীবা অসি ওজা নাইনা ঐখোয়গী ইরমদম অসিদদি মহৈ অমা ওইনসু তম্নরিবনি।

ধৃতরাষ্ট্রনা অসুম খল্লুরগা নুংঙাইরক্তদুনা সঞ্জয়দা অমুক হংখি। সঞ্জয়, ঙসি নঙগী নচিং দগী লান অসি অকীবগী মশক ওইরবা তমথিরবা লাঞ্জাও অমা ওইগদৌরি হায়বা খঙলে। ইচাশিং,নহা কয়া অমনা মাগী মাগী অঙম্বা উৎনদুনা লান্থেংনগদৌরি। হন্দক্কী কুরুক্ষেত্রগী লান অসিদা কুরু বংশ শাগৈসি তুমগদৌরিব্রা ? সঞ্জয়না হায়, তবীয়ু হে রাজন। লান অসিদি লাল্লোং হৈবনা মায় পাকপসি মাঙলমচৎতগী উরকই। হন্দক্তি হস্তিনাপুরগী মীয়ামসে চাম্মগী মায়োক্তা অশাওবা উৎনরি, মচিন্দা পেন্দবগী ৱা য়াম্না ঙাঙনৈ। বিরাত লৈবাক্তা পান্দবনা ৱানা খাঙখিবা,বিরাটকী লাল মখোয়না থোকহনবনি। পান্দবশিংবু ৱাহল্লিবসি কৌরবননি হায়দুনা হস্তিনাপুরগী মীয়াম্না শাপ তৌনরি। হৌজিকসু লান লোইদ্রি, ঙাইহাক পোত্থানবনি । লান কনানা ঙমগনি হায়বা খঙদ্রি। বিরাত নিংথৌগী য়েৎ থংবা পাম্বৈম ওইরম্বা কিচোক হাৎখ্রে । অরানবা তৌবা মশাগী কান্নবতা খনবা অকল-অথৌ ময়াম মথং মথং তুরক্লি।

ৱারী ওইজরগসু মহাভারত-রামায়নগী ৱারী তাবা, পুয়াগী অমদি নিংথৌরোলগী ৱারী তাবসি য়াম্না কান্নৈ। ৱারী তাবসি মতম অমা নুংঙাইনবগী তানবা ওইরগসু হৌজিক্কী মতম অসিদদি মতমগা চিন্নবনা কয়া তান্নদ্রে অদুবু তারুবা মতমদা কান্নবা ৱা, পূক্লিং লৌশিং ওইবা য়াবা কয়া ফংলি।

চুন্নগী ৱা অমা হায়বা য়াম্না লায় । থবক্তা ওন্থোকলক্লবগী ৱা হায়বদুনি লুই হায়নরিবসি । ৱারী লীবা ওজাশিংনা ৱারী লীবা মতমদা য়াম্না লায়না লায়না ৱারী ওইনা লীথোক্লিবসি ঐখোয়না খঙদবগী তৌবনি, য়াম্না লুবা আর্ট ফোর্ম অমনি । ৱারী লীবদা চুন্নগী লীদে হৌজিক্তা মাঙদা থোকখিবগুম, মিৎনা শং-শংনা উবগুম অতাবদা ফাউহল্লি। খোলহৈ-খোন্দা, ৱারী লীবনা শীজিন্নবা ৱাহৈ-ৱাতা,ৱারী লীবগী মওং-মতৌ তোঙান্না লৈজরি। ৱা হায়বগা, ৱা ঙাঙবগা, পাউ তম্বগা অহুম অসি করম্বনা হেন্না লায়বগে অমদি মরু ওইবগে হায়না ৱাহংসি হংলকপদা পাউখুমসি ইলায় লায়না খুম্বা য়ারোই। ঙাইহাক ৱাখল খন্দবা য়রোই।

নুপি চেনবদা মচিন হংবা চৎনরকই। হংদবা য়াদবগী হংবা অমা, শাওনীংবদগী হংবা অমা, মরম অনীদা নুপীগী মচিল হংনৈ। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা হায়নরকপসি ৱা ঙাঙবা হৈবা, মরৈ য়েৎপা কনবসি উকিল তম্মু হায়নৈ । হৌজিক্তি ৱা ঙাঙবা হৈবা, মরৈ য়েৎনবা ঙম্বসি ৱাঙাংলোই,স্পোক্স পর্সন হায়না খঙনবগুম তৌই। ৱা য়াম্না ঙাঙবসি মীনা কয়া নুংশিগন্দে অচুম্বা ঙাঙলগদি নুংশিদবদি য়ারোই। ৱা ঙাঙবদা পকচবা, ফাগী তৌবদা নোক্লিংবা মী য়াম্না ঐখোয়গী মরক্তা লৈরম্মী । ঙসিগী মীরোল অসিদদি লৈরকত্রে। ৱা ঙাঙবগী মখলসি য়াম্মী। ৱা ঙাঙবদা মী শুন্বা,তানীংবা পোকপা নুংঙাইবা পকচবা মখোয়গুম্বা মীওই য়াম্না তাঙলে । খর ঙল্লিঙৈগী মতম ১৯৭০গী পরিংদা লৈপাক্কীদমক চোংথোকপীরম্বা 'কংলৈ লীগ' হায়বা নহা ওইরিবশিংনা শেমজবা কাঙলুপ অমা নুপামচা ওইনা লমদমসিদা থেংনহৌখি। কাঙলুপ অদুগী মশক নাইবা ৱাঙাংলোই অমা ওইনা ঐগ্যা নন্দলাল শর্ম্মা হায়নবা নুপা অমনা, জেনরেল ইলেক্সমতমদা কোইনা চৎতুনা লম্পাক্তা মাইক পাল্লগা,মিটিংদা ৱা য়াম্না ঙাঙবা ঐখোয় তারকখি। নুংঙাইমন্দুনা মীটিং মফম খূদিংদা মহাক্লা ঙাঙবা মফম থিরগা তাবা চৎলকখি। অতাবা মীয়াম্না ৱা-ৱা নোকখি । ঙাঙলিবদু চুম্বসু মাল্লি,লানব্রা চুম্ব্রা হায়দুদি অঙাং ওইবনিনা খঙখিদে । মহাক্লা ঙাঙলিবদু ৱারী লীবা নত্তে, পাউ তম্বগুম্নসু তৌই, ৱা হায়বা ওইনসু তাখি। ৱা য়াম্না ঙাঙখি । মসিনি, ৱা ঙাঙবা হৈবা মীগী মতীক ময়াই।

মহাভারতকী সঞ্জয়সি পাউ তম্বা হৈ। তল্লিবা পাউসি লানগীনি। মচিন-মনাউ চাম্মগা মঙাগা শোক্লবা লানগী পাউদম্লি। অরানবা পাউদি সঞ্জয়না তমদে । পাউ তল্লিবা, ৱা ঙাঙবা হৈবা সঞ্জয়সি লানফমদা লান শোক্লবদি য়াউখিব্রা ৱাহংসি হংনীংঙাই ওই। মরৈ য়েৎকনবা কনাগুম্বা অমনদি হংলক্কনি। মসিনা ৱাফম অমনি, ৱা ঙাঙলিবা, পাউ পুরক্তুনা তল্লিবা নৎত্রগা অচুম্বা ৱানা মীয়ামগী মিৎ -নাকোং ওইহন্নবা হায়বীরিবা মহাক অদুনা লৌরিবা থৌদাং অসি মীচম অমনা হেক্তা য়ারোই। খঙদনা ঙাঙবা, উদনা পাউ তম্বসু ওইথোক্লোই। খ্বাইদগী লুরিবসি লানগী পাউ তম্বনি। মীয়ামদা মিৎ-মায় ওইগদবা ৱা ঙাঙবনি । ৱা হায়বদি য়াম্না লায় অদুনা অহল-লমনশিংনা, "মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুন্দা" হায়না থম্বীরল্লিবসি ওন্থোক্লা মমল য়ামখ্রে । হায়দোকখিবা ৱা ঙাকলক্তবা অসিদনি, মীনা শিবনা চিন্দা হায়রক্কদৌরিবসি। ঙল্লিঙৈগী মতম অমা, মীগী ৱাখল ফনরিঙৈগী মতমগীদি, ৱা য়াম্না ঙাঙবদা ওজানি, অহৈবনি হায়না ফত্তনা খন্নরমদে, হৌজিক্কী মতম, মতাং অসিদদি য়াম্না লুরি । ৱা য়াম্না ঙাঙলগা থবক্তা উৎলক্তবসি মশীং য়াম্মে উন্নরক্লিবসি । এপিক ওইরগসু,মহাভারতকী সঞ্জয় কাওবা ঙমদে, মীৎ উদবা মীদা পাউ খঙহনবা, তাহনবা ঙল্লিবা মহাক্কী লমচৎ নৈননীংঙাই ওই ।

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

**ৱারী ককনাউ**

# নকোক্তুদা কিন্না শুগে লাও

"হো ইনে, ইনে, কৈনো মী অমত্তা লৈতবরো?"

"হো কনানো? নুংদাংসিদা মী লৈত্রা হংঙিদু নকোক্তু চাকপ্রা?"

"হো কোক চাকপদু নত্তে, ইনে ঐ"

"ঐ হায়সিবু কনানো নুংদাংসিদা? নশকসু খঙদে, নমিংসু খঙদে"

"হো থোঙসিদা অমুক্তা হাংবীয়ো, ৱাদো ফজনা হায়জগে"

"কনানো করিনোসু খঙদনা, ঙম্মোই ঙম্মোই, হয়েং অয়ূক ওইনা লাকউ"

"হো অয়ূক লাকপা য়াদা তৌরিনে?"

"অদুদি নঙ হুরানবরা?"

"হো হুরানবদি নৎচদে, নীজবা লাকচবনি"

"লায়রখ্রবা ঐঙোন্দগী করি নীদৌরিবা? পীনীংঙাই কৈসু লৈতে। ঐ কিবনা লোইরে থুনা চৎখ্রো নৎত্রদি লৈকায় তানবা লাউরনি"

"হো অদুন্না তৌবীনু। ৱা অমত্তা ফৎ লাউনা হায়রমগে তৌবনি। থোঙসে অমুক্তা হাংবীয়োবা ইনে"

"ইনেগকাইনসু কৌ লাক্তনগা তৌরিনে, ঐসে ঙসাই অয়ূক্তগী কৈমতা চাদ্রি, ইশাসু নুংঙাইতে, হৌগৎপা ঙল্লরোই, হায়গে হায়রগা অদুম হায়রকউ। ঐগীদি সনা লুপাসু লৈতে, চেঙ লৈতবদগী চাক থোংদ্রিবনি। ঐগী না অরাউবসিদা য়াল্লিসে সনা নত্তে, কোরিনি। ঐবু গুলি পীজরগা পংথহল্লগা সনা ওইরবোই নীংদনা থৎকদৌ তৌরিবা নঙগী কন্দরদু ঐ খঙই, থুনা চৎহৌরোকো নৎত্রদি লৈকায় তানবা লাউরগা নকোক্তুদা কিন্না শুবীবা তারে"

"হো চেঙ ৱান্নবা শেলসু পীরমগে তৌবনে, অদুগা অরুবা ৱা অমত্তা হায়রমগে তৌবনি"

"তানীংখিদ্রেদা মসি পেৎ পা পেৎ পা য়াম ঙাঙখ্রেদা, চাক্লা চাক লাম্বসিদা, মসি থোঙসি হাংদোক্লগা, থোঙলোনচৈসিনা ময়াঙসিদা শান্থনিসে, নপা য়ানি মচাসে"

"হেরা ইনে, ঐ তাগে হায়না তাবনি, থোঙসি কোক হাংলগা শেগা-মাইগা ৱারী শারগা লোইরে, অদুক য়াম্না অকন অরিং শাদনা ঙাঙলিদু কৈগীনো? তৌরকউরো হা তৌরকউ হায়ব্রো?"

"কৈদৌদৌরিবা, নুংদাংসিদা মীগী ময়ূমদা লাক্লগা থোঙ হাংউ য়াদ্রগা তৌরকউরো গাইনা, কৈ তৌগে হায়নো, নঙনা ঙম্মগা তৌ তৌ, তৌনে য়েংগেবা"

"মসিগী হনুবীসি শিনিসে"

"ইস ঐবু শিনিগাইনা, শিজরগেহে নখূৎতা"

"য়াম শিনীংব্রা?"

"হে ইকায়খঙদবা নঙ চৈ অদুক য়াম নীরি কৈগীনো?

"ঐসে অঙম্বনি অঙম্বগী মনাইনি। ভোটকী ৱা হায়গে লাকপনি"

"কনাই ভোট লান মরকসিদা"

"ভোট তৌদৌরিসিদি"

"কোলেজগীরা?"

"কাইদৈনোদা, ওন্থোক ওন্থোকপা"

"অদুদি করিগী?"

"ঐখোয় পার্টিগীনি, হন্দকসু থাদবীদবা য়াদে, ঐখোয়না কাদবা য়াদবনি"

"অহ-অহ... নহানখৈদি কাইদা লৈরুবা, মণিপুর মৈনা তুম্না চাল্লবসু নৱা নপাও অমত্তা তাদবা, অদুগা হৌজিক্তদা নরোল লোল্লকপা নকোক্তুদা কিন্না শুগে লাও"

"ঐখোয়সি য়াম তৌরিপোৎনিদা"

"করি তৌরিবা"

"ৱা খন্নরিনি কৈনো?"

"নোইনা মশেন খন্নরগা নোংমৈনা পংকাপ্তা কাপ্পে, মীনা পঙশিদা শিরে, লৈশাবী মচাগী মশা ফাওবা থিবা ফংদদনা লৈরি। অদুসু নোইনা কৈসু হায়দে"

"ঐখোয়সু নুংঙাইত্রিনি কৈনো ইনে"

"চৎলোকো, সুম ঈ কারক্কদৌরে"

"ফরে চৎলগে অদো ইনে, শেল খিতং থল্লমগে"

"কয়া"

"লুপা ৫০০নি"

"ঐগী মমলসি লুপা ৫০০দা লেপ্পীদুদি নোই নপানা লেপ্পো হায়ব্রা"

"কোন্না হাপ্পকখিনি কৈনো, শেলগী ৱাদি কৈমতা খনবীরুনু, হৈথরল্লদবনি"

"হৈ ইকায় খঙদবা, শেল পাম্বগী নত্তেনে, চরা হেন্দনা উপ্রাক্লা উপ্পগা খাঙসু খাঙগনি, নোইগী অদুগুম্বা শেলদুদি পাম্বীদেকো"

"নহানমুক্তি লৌরিদুদি"

"হন্দক্তি লৌররোই, ঐখোয় য়োল্লরোই। য়োল্লসু মফম খঙনা য়োঞ্জরগে চৎলো চৎলো নকোক্তুদা কিন্না শুরক্ত্রিঙৈদা"

"তৌনুদা তৌনুদা ভোটতি ঐখোয়না ইকা কাদৌ লৈরেদা, শেল পামদবা লমসিদা কনামত্তা লৈতবনিদা"

"ইবুংঙো, শেল লাইরি নঙ লশিংদি য়াওব্রা, খিতা পীরকও, নাকোংসি অমুক্তা মেনগে"

"মসিগী লায়রবী হনুবীসি য়াম তাখৎখ্রেদা"

"নোইনা উশিত্তবা লায়রবী ঐগীদা কৈদৌ লাকপীরিনো"

"লায়রবা লায়রবীশিংনিনে হন্দক ঐখোয়না মথৌ কন্না তারিসে, মোইসি শেলগী লাং থাক্তৌরিনিনে"

"মসি য়াম ঙাঙখ্রে, ফৈ ফৈ লৈরম্মু, কদাই চৎখ্রে ঐগী চৈদো, মখ্বাংসি তেক্লবা কনগে লৈরম্মু"

"মসি মতা অমনিনে, চৎলে চৎলে"

ইনেনা থোঙ হাংদোরকপদদি নুপাদু থোঙ্গাল ৱাংমা লাল্লম্মে, কয়া য়াম্না য়াঙনা চেনখ্রবনোনেসে। "কদাই, চেনগনুনে, নকোক্তুদা কিন্না শুগে লাওনে"। ইনেনা লাউলাউদুনা থোঙ্গাল ফাও তান্নৈ।

- **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

# মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(১৪১)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মপাম লমদা লাকপদা। মৌপ্বা লৈবা লমদা খোঙদারকপদা। মৈতৈ লৈমনা শেলবা মীমাববু। তরা চাকপুম শায়না। চাকয়িননা নাওথেমলমমে। অদু নুমিৎতগী। লমলেল তরা চাকশাই চীঙ ও হায়না মিংকৌয়ে। লমলেল লমদমমাদি। থোঙলেল তাইবী লংথাবাল ও। মিংথোল মিংকৌবদি। করি কৌখিবা নুমিৎতগীনো। ময়ুম শেললোই লংমাইনা। থাঙগা মলমদম লময়ৌরুগে। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯱꯴꯱)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯀꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫꯫)

ꯃꯄꯥꯝ ꯂꯃꯗꯥ ꯂꯥꯛꯄꯗꯥ꯫꯫ ꯃꯧꯄꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯂꯃꯗꯥ ꯈꯣꯡꯗꯥꯔꯛꯄꯗꯥ꯫꯫ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯅꯥ ꯁꯦꯂꯕꯥ ꯃꯤꯃꯥꯕꯕꯨ꯫꯫ ꯇꯔꯥ ꯆꯥꯛꯄꯨꯝ ꯁꯥꯌꯅꯥ꯫꯫ ꯆꯥꯛꯌꯤꯟꯅꯅꯥ ꯅꯥꯎꯊꯦꯃꯂꯃꯃꯦ꯫꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ꯫꯫ ꯂꯃꯂꯦꯜ ꯇꯔꯥ ꯆꯥꯛꯁꯥꯏ ꯆꯤꯡ ꯑꯣ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫꯫ ꯂꯃꯂꯦꯜ ꯂꯃꯗꯝꯃꯥꯗꯤ꯫꯫ ꯊꯣꯡꯂꯦꯜ ꯇꯥꯏꯕꯤ ꯂꯪꯊꯥꯕꯥꯜ ꯑꯣ꯫꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ꯫꯫ ꯀꯔꯤ ꯀꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫꯫ ꯃꯌꯨꯝ ꯁꯦꯂꯂꯣꯏ ꯂꯪꯃꯥꯏꯅꯥ꯫꯫ ꯊꯥꯡꯒꯥ ꯃꯂꯃꯗꯝ ꯂꯃꯌꯧꯔꯨꯒꯦ꯫꯫ ●